**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ মে ডে ঙসি পাঙথোক্লি । মণিপুরদসু নুমিৎ পালন অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় অমদি আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফারে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্তরদা ৱার্ল্ড ওদিও-ভিজ্যেল ইন্তরটেনমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোক্লগনি।

------

মে ডে (এল)ঃ মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ মে ডে ঙসি পাঙথোক্লি । ইং ১৮৮৯ দগী হৌদুনা নুমিৎ অসি মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চহি অসিগী হিরমদি সেফতি এন্দ হেলথ ওফ ৱার্করস হায়বসিনি। মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু নুমিৎ পালন অসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা শিন্দুনা কৈশামপাৎ লাইরেন্বী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা এম.এল.এ- য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা মীয়ামদা মরুওইনা শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- শিন্মীশিংগী মতেং য়াওদনা মীওইবা জাতিনা চাওখৎপা হায়বদু ঙমলোই।

মীওইবা সমাজ চাওখৎনবা হোৎনবদা শিন্মীশিংনা মমল নাইদ্রবা থৌদাং কয়া লৌরি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় অমদি আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হৈঙাংখোং অমসুং মসিগী অকোইবদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, স্নাইপ্পর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম- এস.এম.জি করবাইন অমা, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অনি, দিটোনেতর য়াওদবা থার্তি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সাইবোং ভিলেজদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা আই.ই.দি ৮, লোকেল মেদ হেন্দ গ্রেনেদ ৮, ইলেক্ট্রোনিক দিটোনেতর ২৫, দিতোনেটর মঙা, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এম ইন্সাসকী মরু ৪০, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম- এ.কেগী মরু ৬০ নচিংবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। ওপরেসন অদুদা জিলা অসিদা শারম্বা বঙ্কর ৩ স্ থুগাইখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াঙৌবুংদগী গাড়ি অনিদা পুরম্বা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ লাখ ৩ লোম অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ অনি মখায়রোম ফারে হায়রি। পোৎলমশিং অদু পুরম্বা মীওই অনিসু ফারে। ফারবশিং অদু মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গোবাজাং ভিলেজদগীনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এম.জি. এভিন্যু মনাক্তগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অহুম, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ

অন্দ্রো পার্কিংদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা, ককচিং জিলাগী ৱাংঙু লমখায়দগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

তোঙান তোঙানবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওই অমা মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট থ্রিগী মনুং চনবা কবো লৈকাইদগী ফারে হায়রি।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নদনবগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী দ্রাইভ অমা হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিং বজারদা পাঙথোক্লি। থৌরম অসি দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ অমসুং কংলৈপাক ৱিমেন মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অসি গা মরী লৈননা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা হায়- অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী মহুৎতা মীয়ামা চেনা নত্রগা ফিনা শাবা খাউনচিংবা পোৎলমশিং শিজিন্ননবা আপীল তৌরি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা শাবা ফিগী খাউশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখি। দ্রাইভ অসি হয়েংনা কোংবা বজারদা অমসুং লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতনা খুরাই লমলোং বজারদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্তরদা ৱার্ল্ড ওদিও-ভিজ্যেল ইন্তরটেনমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোক্লগনি।

নুমিৎ মরিনি চথুগদবা মীফম অসিনা ক্রিয়েটরশিং অমসুং লৈবাকশিংবু শমহন্দুনা ভারতপু মিদিয়া ইন্তরটেনমেন্ট অমসুং দিজিতেল ইনোভেসনগী লমদা গ্লোবেল হব ওইহন্নবনি। মীফম অসিনা ফিলম, ও.টি.টি, গেমিং, কোমিক্স, দিজিতেল মিদিয়া, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ব্রোদকাষ্টিংনচিংবা লমশিং

পুনশিনহনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মীফম মনুংদা অহানবা ওইনা ভারতনা গ্লোবেল মিদিয়া দাইলোগ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা লৈবাক ২৫ গী মন্ত্রালয়শিং শরুক য়াগনি। মীফম অসিনা পোৎ য়োল্লিবা অমসুং লৈরিবশিং শমহনদুনা বিজিনেস নেটৱার্কিং পাক শন্না শন্দোকবা খুদোংচাবা পীরি।

এনইপি ঃ  কেন্দ্রগী শিক্ষা অমসুং দোনরগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ সুকন্টা মজ্মদারনা হায়রি- নেসনেল ইদুকেসন পোলিসিনা মহৈরোইশিংবু স্কিল অমদি লৌশিং গ্যান হৈহনদুনা মালেমগী শিংনরক্লিবশিং থেংননবা খুদোংচাবা পীরি।

প্রধান মন্ত্রি উচাতর শিক্ষা অভিয়ানগী মখাদা মল্টি দিসিপ্লিনারি ইদুকেসন এন্দ রিছার্স য়ুনিভর্সিতিজগী নুমিৎ নিনি চত্থগদবা জাতি থাক্কী ৱার্কসোপ নিউ দিল্লিদা হৌদোক্লদুনা ডাঃ মজ্মদারনা হায়- নেসনেল ইদুকেসন পোলিসিনা নহাশিংবু হেন্না শক্তি পীবা, মহৈ তম্ফমশঙশিং মতমগা চুননা শেমগৎপা অমদি ভারতকী হান্না লৈজরম্বা লৌশিং গ্যানগা অনৌবা ৱাখল্লোনগা পুনশিনহনবগী খুদোংচাবা পীরি। মহাকা হায়- ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিতি ৬৪ গী ভাইস চান্সেল্লর ৬৪, হায়র ইদুকেসনগী ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তরশিং, ষ্টেট ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াবনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী শেন্থং মখাদা নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি করমা মপুং ফানা চৎনহনগদগে হায়বদুগী খুদোংচাবা পীরি।

------